হুয়েন লানপাও
HUEIYEN LANPAO
Tuesday, December 12, 2017, Imphal


## কে ৱাই কে এলগী কাদরনি চিংনবা অমা ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর১১(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা পাঙ্গৈ কৈথেল এরিয়াদা থি-হুন্বা চথবদা কে ৱাই কে এলগী কাদরনি চিংনবা অমা ফারে হায়রি।

মণিপুর পুলিসগী পি আর ওনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না, থা অসিগী ৯ গী অয়ুক্কী পুং ১০ রোম তাবা মতমদা পাঙ্গৈ কৈথেল এরিয়াদা চপ চাবা পাউ অমা ফঙবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগী টিম অদুনা চঙশিন্দুনা থি-হুন্বা চথবদা কে ৱাই কে এলগী কাদরনি চিংনবা অমা ফাবা ঙমখি। মহাক্কী মমীং সাইখোম সুরজিৎ এলিয়জ ফিরেপ্পা (২২) অপোকপা এস ইবোহনবী কৌই। মহাক ৱাইতোন অৱাং লৈকায়দা লৈবনি হায়রি। মহাক মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## মোবাইল এপ্প লোঞ্চ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর১১ (এজেন্সি): খুঙ্গংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা হেল্থ ৱার্করশিংনা অঙাং উনবগী থৌরাং লৌখৎপদা খুদোংচানবগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর ফাইনান্স এস পি সুক্লানা ঙসি লক্ষ্যা হায়না মীংথোনবা মোবাইল এপ্লিকেসন অমা লোঞ্চ তৌখ্রে।

সুক্লানা ওবষ্টেট্রিক হায় ডিপেন্দেন্সি য়ুনিট (ঐচ টি য়ু) অমদি ইন্টেনসিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু) গী ওপরেস্নেল গাইদলাইনসু রিলিজ তৌখি। হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, অঙাং উনবা মতমদা মমা অমদি মচা অনীমক্কী পুন্সি কন্নবগীদমক তঙাইফদনা লেবর রূমদা মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। অঙাং উনবা মতমদা খুদোংথীবা থোকহন্দনবগী পান্দমদা সেন্টরনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা গভর্নমেন্ট মেদিকেল কোলেজশিং অমদি ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা হান্না চৎনহনগদৌরি।

অঙাং উনবা মতমদা মরম চাদনা মমা অমসুং অঙাং শিবগী থৌদোক থোকহন্দনবগী পান্দমদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি। য়ুনিভর্সেল হেল্থ কভরেজ, ২০১৭ কা মরী লৈননা মোবাইল এপ্লিকেসন লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

## সাইবর ক্রাইমগী চাং ৱাংখৎলক্লে

গুৱাহাটি, দিসেম্বর১১ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা সাইবর ক্রাইম থোকপগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা কুমজা ২০১৬ তা সাইবর ক্রাইমগী কেস ১২,৩১৭ রেজিষ্টর তৌরকখ্রে।

নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরো (এন সী আর বি) গী দেটা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, মমাঙ চহীদা সাইবর ক্রাইম খ্বাইদগী য়াম্না থোকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অসামনা মঙাশুবদা লৈখি। মমাঙ চহীদা সাইবর ক্রাইমগী কেস ৬৯৬ ষ্টেট অসিদা থোকখিবগা লোয়ননা মীওই ৬৯৯ ফাখি। হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা মীওই ১১৭ কী মথক্তা চার্জসীট ফাইল তৌখি। উত্তর প্রদেশনা সাইবর ক্রাইম থোকপগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা ষ্টেট ওইখি। মমাঙ চহীদা ষ্টেট অসিগী ওইনা সাইবর ক্রাইমগী থৌদোক ২,৬৩৯ থোকখি। মহারাষ্ট্র, কর্নাটকা অমসুং রাজস্থানদনা মথংশিংনা সাইবর ক্রাইমগী থৌদোক ২,৩৮০; ১,১০১ অমসুং ৯৪১ থোকখি।

পনবা য়াবদি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা কুমজা ২০১৬ তা অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দদা সাইবর ক্রাইম থোকপগী চাং ৱাংখৎলকপা লৈখ্রবনি। ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা কুমজা ২০১৬ তা সাইবর ক্রাইমগী কেস ১২,৩১৭ রেজিষ্টর তৌখি।

**GAS TODAY**

**GBD INDANE, LAMLONG**
Booking Upto:04/10/2017
Valid From:21/09/2017
***Stk : 306 (CTC)***
Timing:07.00am to 10.30am

**HRANGCHAL GAS AGENCY, OLD LAMBULANE**
Booking Upto:10/10/2017
Valid From:05/10/2017
***Stk : 306***
Timing:07.30am to 10.30am
***(Aadhaar Link Consumers only)***

**KHONGNANG GAS AGENCY, NINGTHOUKHONG**
**SL.NO. 7094-7361**
Booking Upto:12/09/2017
Valid From:04/09/2017
***Stk :306***
Timing:07.30am to 10.30am

**HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Uptodate
***Stk : 306, Rs.869/-***
Timing:07.00am to 10.30am

# রেভিন্যু সর্ভে য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১(ঐচ এন এস): হিল হাউস টেক্স অমদি রেভিন্যু সর্ভে য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী জাকুরাধোরদা মার ইনপুই জিরিবাম, কুকি ইনপি জিরি-তমেংলোং, মার নেসনল য়ুনিয়ন, ব্লোক-৬, মার ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন জিরিবাম, কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন জিরি, তমেংলোং অমদি থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন জিরি-তমেংলোংনা শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।



ৱাকৎ মীফম অসি মরুওইনা হিল হাউস টেক্স, রেভিন্যু সর্ভে য়ানিংদে হায়বা ৱাফমদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ফমখিবনি। ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা বরাক সর্কলদা লৈবা খুলগী মীয়াম, তুইসোলিয়ন, খাংবোরগী খুঞ্জা কয়াসু শরুক য়াখি।

ৱাকৎ মীফম অদুগী মতাংদা থাদৌ এন্দ মার সোসল সিভিল ওর্গনাইজেসন জিরিবাম-তমেংলোংগী কনভিনর পাষ্টর বেঞ্জামিননা হায়খিবদা, হিল হাউস টেক্স পীবদা লৈঙাক্লা থিংলকপা, রেভিন্যু সর্ভে ওর্দর থোক্লকপগা লোয়ননা সর্ভে হৌরনি হায়বগী মতাংদা সীট ইন প্রোটেষ্ট অসি তৌবনি। কুমজা ১৯২৪ দগী হিল হাউস টেক্স পীদুনা অসুম লৈরকপনি। কুমজা ২০১৬ অমদি ভিলেজ অমনা কুমজা ২০১৭গী এপ্রিল ফাওবা হিল হাউস টেক্স অসি পীখিবনি। ঙসি ফাওবা ভিলেজ চীফনা লমশিং অসি য়েল্লগা ঐখোয় লৈজবা অমদি ফোরেষ্টকী রিছোর্সশিং অসিদা ঐখোয়না দিপেন্দ তৌদুনা হিংজবা কম্যুনিটি অমনি। হিল হাউস টেক্স অসি থিংবা তারবদি লেন্দ রেভিন্যুশিং অসি ইন্দিভিজ্যুএল লেন্দ হোল্ডর ওইনা লৈখিবা তাই। ঐখোয়দি হিংবা ঙল্লোইদবগী ৱাফম লাকপনি। মসিগী মতাংদা রেভিন্যু মিনিষ্টরদা ঙরাং মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। মিনিষ্টর মশানসু য়াম্না পূক্নিং চঙনা য়েংবগা লোয়ননা ইম্ফালদা লাক্তুনা মখা তানা ৱারী শাননবা ইনভাইট তৌরকপগীদমক মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

লৈঙাক্লা লেন্দ রেভিন্যু সর্ভে তৌনবা হোৎনরকপা অসি ঐখোয়গী কম্যুনিটি অসিনা রেদি ওইদ্রি। মরমদি ঐখোয় ফোরেষ্টতা তাংদুনা হিংবা কম্যুনিটি অমনি। করিগুম্বা সর্ভে অসি তৌরবদি ইন্দিভিজ্যুএল প্রেমিয়ম থীবসু তারক্কনি। মদু ঐখোয়দি ঙল্লোই। রেভিন্যু সর্ভে ওর্দর অদু রিভোক তৌনবা গভর্ণমেন্টতা তকশিল্লি। হায়জবা অসিদা লৈঙাক্লা তাদ্রবদি তোঙান-তোঙানবা খোঙথাংশিং লৌখৎতুনা এজিটেসনশিং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌরে। তোকঙা ওইনা তাবদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী এরিয়া অসি য়াম্না চাওনা ভঙ্গাই রেঞ্জগী এরিয়া য়াওশিনবগী ৱাফম অমা লৈরিবসি লৈঙাক্লা ময়েক শেংনা ক্লেরিফিকেসন পীবীয়ু। হৌজিক মহৈরোয়শিংদা য়াম্না চাওনা অৱাবা অমা পীরে। হিল হাউস টেক্সকী বেসিস্তা ঙসি ফাওবা লাকপনি। মহৈরোয়শিংদা লাইরিক তম্বগী মতাংদা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং য়াওদ্রবদি অকায়বা কয়া লাকপা অসিনা হেন্না অৱাবা অমা ওইহল্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## নুমিৎ মঙানিগী ওইবা আশাশিংগী ট্রেনিং হৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর১১(ঐচ এন এস): আশাশিংদা পোপ্যুলেসন বেজ স্ক্রীনিং ওফ নন কম্যুনিকেবল দিজিজ কিক্স ওফ হায়বা নুমিৎ মঙানি চথুগদবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ৱাংজিংদা লৈবা প্রাইমারি হেল্থ সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা হান্না সী এম ও থৌবাল ওইরম্বা ডা. ক্ষেত্রি মঙলেমনা শরুক য়াখি। লোয়ননা পি ঐচ/ষ্টেট এন সী দি ট্রেনিং কোওর্দিনেটর ডা. ৱাই প্রেমচন্দ্র, কন্সলটেন্ট সী পি, আর আর সী, এন ঈ, মণিপুরগী দব্লিউ ইমো, ষ্টেট প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটর মণিপুর এন সী দি, দব্লিউ শৈরেংবনা শরুক য়াখি।

এন সী দি সেল দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইটি থৌবালগী মখাদা নেসনল প্রোগ্রাম ফোর প্রিভেন্সন ওফ কেন্সর, দাইবেটিস, কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ এন্দ ষ্ট্রোক (এন পি সী দি সী এস) অসিগী মখাদা শীনবনি।

থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর এন ঐচ এম থৌবালগী সীঐচ বসন্তনা কি নোট এদ্রেস পীখি। মহাক্লা আশাশিংদা হায়পরটেন্সন, দাইবেটিস, কেন্সর অমদি হেল্থ প্রোমোসনগী মতাংদা মরিক চুম্না খঙনবা হোৎনসি হায়না পাউদমখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা এন সী দি ক্লিনিক অমসু হাঙদোক্লে। আশা ৱার্করশিংনা এন সী দি ক্লিনিক মখোয়না পুরিবা মফমশিং অদুগী অনাবশিং তোঙান তোঙান্না হাঙদোক্লিবা মফমশিং অসিদা লাক্তুনা মখোয়গী লায়না অমদি লাইওংশিং খঙদোক্লবা তান্নরবা য়াগনি হায়রি। ঙসিগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা খোঙজোম, ৱাংজিং, সঙ্গাইয়ুম্ফম, খাঙবোক্তগী আশর ৩০ রোমনা শরুক য়াখি।

ট্রেন্দ তৌরবা আশাশিংনা কম্মনা ওইনা নাবা লায়নাশিং মরুওইনা দাইবেটিস, হায়পরটেন্সন, সর্ভিকেল/ব্রেষ্ট/ওরেল কেন্সরশিং মখোয় মখোয়না লৈরিবা মফমশিং অদুদা নাবা মীওইশিং খঙদোক্লগা মখোয়দা মখা তাবা ত্রিতমেন্ট পীনবা হোৎনগদবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

## ক্রুসুদা ইন্টরনেসনল গোল্ড মেদল লৌরকখিবা শান্নরোয় অমা মমাঙগী লৈঙাক্লা নমথাক তৌবীরে : ডো. সনায়াই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১(ঐচ এন এস): ৱুসু মশান্নদা অহানবা ইন্টরনেসনল গোল্ড মেদল লৌরকখিবা শান্নরোয় অমবু মমাঙগী লৈঙাক্লা চাওনা নমথাক তৌবীরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়না শান্নরোয় ডো. ওইনাম সনায়াইনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ডো. ওইনাম সনায়াইনা হায়খি, কুমজা ২০১২, ২০১৩ অমদি ২০১৪ দা হোং কোংদা পাঙথোকপা ১০শুবা, ১১শুবা অমদি ১২ শুবা ইন্টরনেসনল ৱুসু চেম্পিয়নশিপ্তা থংন-থংননা মেদল লৌরকখিবা মীওই অমনি। ষ্টেট অমদি নেসনলগী থাক্তা মনা কয়া লৌরকপদা নৎতনা চহী অসিগী নবেম্বরদা থাইলেন্দদা পাঙথোকপা এসিয়া কপ জিট কুন্দো চেম্পিয়নশিপ্তসু সনাগী মেদল অনী লৌদুনা মিংচৎ পুরকখিবনি। চীফ কোচ ওইনা সিক্কিমদা থবক তৌদুনা লৈরম্বদগী ষ্টেট অসিদা থবক পীগনি হায়না রিজাইন তৌহল্লগা ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা অমত্তা ফংদনা লৈরি। য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস সিক্কিমগী মখাদা কুমজা ২০০৮ দা ৱুসু মশান্নগী কোচ ওইনা থবক পুবা হৌখি। পর্ফোর্মেন্স য়েংলগা চহী ১/২ গী মতুংদা চীফ কোচ ওইনা পুহনখি। ইমুং-মনুং পূন্না লৈমিন্নবা পাম্বদগী মণিপুরগী য়াস দিপার্টমেন্টতা চানবা পোষ্ট অমা লৈব্রা হায়না চে অমা কুমজা ২০১৫গী এপ্রিলদা থাখি। মতমদুদা য়াসকী দিরেক্টর ওইরম্বা ৱুসু মশান্নগী ওইনদি ইলিজিবল ওইরে অদুবু ফম অহাঙবা লৈতে, হাঙলগা হায়রক্লে হায়না থাজবা পীরকখি। থাজবা অসি থমদুনা সিক্কিমদা চীফ কোচ ওইনা থৌ পুরিঙৈদা কুমজা ২০১৫গী দিসেম্বরদা য়াস দিপার্টমেন্ট মণিপুরগী মখাদা ৱুসুগী পোষ্ট অমগীদমক পাউচেশিংদা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্লকপা থেংনখি। এদভর্টিজমেন্ট অসিগী মতুংইন্না মহাক্কী ৱাফম হংলুবদা দিরেক্টর অদুনা মহাক্কী চে অসি অমত্তা মিনিষ্টরদা য়ৌহল্লমদ্রে হায়বা খঙহল্লকখি। মমাঙগী লৈঙাক্কী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি য়াসতা ৱাকৎলুবদা শোয়দনা চানবা থবক পীগনি হায়না থাজবা পীরকখি।

থাজবা অসিগী মতুংইন্না ষ্টেট অনীমক্তা থবক তৌবা য়াদবনা কুমজা ২০১৬ কী ওক্টোবরদা সিক্কিমগী চীফ কোচকী ফমদগী রিজাইন তৌখি। মতম অদুদা স্পোর্টসকী ফম অসি সী এমনা পায়বনা ৱাকৎলুবা মতমদা মহাক্কী চে থাগৎলমদ্রে হায়বা খঙবা ঙমখি। পোষ্ট অমদি মণিপুর ৱুসু ফেদরেসনগী কোটাদা পীগদবা ওইবনা কেবিনেট মীফম ফল্লগা মহাক্কী চানবা পোষ্ট হাপ্পবা হোৎনগনি হায়না মতম অদুগী সী এমনা হায়রকখি।

অনৌবা পোষ্ট অমমুক হাপ্তুনা ৱুসুগী পোষ্ট অনী কৌখ্রবসু ঙসি ফাওবা নমশিন্দুনা লাক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা অনৌবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকখিবনি। লৈঙাক অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মণিপুর ভবন অথুবদা শাবীয়ু : লূপশিং

সিলচর, দিসেম্বর১১(ঐচ এন এস): মণিপুরগী মপান লমদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না খুন্দারিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অসামসু অমনি। অসামদা পূন্না মৈতৈ লাক্ষ ৫ রোম খুন্দারি। সিলচর ডিষ্ট্রিক্ট খক্তদা লাক্ষ ১.৫ রোম লৈরি হায়রি।

অসাম ষ্টেটকী মণিপুরীশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা চৎখিবা থৌবাল অমসুং ককচিং পাউমীশিং টিম অমনা মণিপুরী য়ুথ ফ্রন্ট অসামগী মীওইশিং অমদি অসাম মণিপুর অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী মীওইশিং লোয়নদুনা সিলচরগী রোংপুর পার্ট টু দা মণিপুর ভবন অমা শানবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা লৈশিন্দুনা থম্লবা মফম অদু য়েংশিল্লবা মতুং মণিপুরী য়ুথ ফ্রন্ট অসামগী প্রসিদেন্ট অসেম হেরাজিৎনা ফোঙদোরকপদা, সিলচরদা লৈরিবা অসাম য়ুনিভর্সিটিদা মণিপুরদগী মহৈরোয় ৬০০ লোম অমদি মফম অসি ফাওদুনা মণিপুর য়ৌনা চৎখিগদবা মণিপুরগী গাড়ী কয়া (টাটা ট্রক ৫০০ গী মথক) অমসু চৎনরি। মণিপুরীশিংনা মফম অসি য়ৌরকপা মতমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি য়েংলগা মফম অসিদা মণিপুর ভবন অমা শাবীনবা হৌখিবা চহী ২০১৩ দগী সিভিল সোসাইটি কয়ানা হোৎনদুনা লাক্লি। মণিপুরগী এমসু অমদি অসামগী আমসুনা কন্না হোৎনজবদগী হৌখিবা চহী ২০০৯ দা সিলচরগী রোংপুরদা শঙম ২৪ গী লম মতম অদুগী ও ইবোবীনা লূচিংবা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা লৈবীরে। অদুবু লৈরিবা লম অসিগী বাউন্দরি অমা মশক খঙনা থম্বীনবা কয়ারক হায়জরবসু থবক ওইনা ওন্থোকপীবা ঙল্লমদ্রে। অদুম ওইনমক লুপা ক্রোর ১গী লম অসি লৈবদা লুপা লাক্ষ ২৫ মশাগী শেনফম ফাওবা পুথোকপীখিবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা এন বিরেননা হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা অমদি মণিপুরগী এসেমব্লি বজেটতা হাপ্পীদুনা সিলচরনা মণিপুর ভবন অমা শোয়দনা অথুবা মতমদা শেম্বীরগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু ফোঙদোরকখিবা লৈখ্রে হায়রি।

অসাম মণিপুর অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট অহোংশাংবম ওংবী লিলিনা ফোঙদোরকপদা অসাম য়ুনিভর্সিটি য়াওনা অতৈ লোয়শঙ কয়াদা মহৈ তম্বা লাক্লিবা মণিপুরগী মহৈরোয় কয়ানা অথেং-অরাক্কী মতমদা সিলচর য়ৌরকপদা লৈফম-চাফমগীদমক থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অমদি গাড়ী চৎলিবা কয়ানা থেংনরিবা কয়া অদুগী খল্লগা মণিপুর লৈঙাক অমদি মীচম মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্নদুনা ভবন অসি অথুবা মতমদা শাবীনবা অপাম্বা ফোঙদোক্লকখি। পাউমীশিংগা উনবা অদুদা অসাম মণিপুর অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী থাংজম ওংবী সনাথোই, আমসু লক্ষিপুর ডিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট কে বিক্রমজিৎসু শরুক য়াখি।

## প্রাইভেট স্কুলশিংদা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চঙহন্নিংই : এমসু

ইম্ফাল, দিসেম্বর১১(ঐচ এন এস): ক্লাস টেন অমদি টুৱেল্বকী মণিপুর বোর্দ অমদি কাউন্সিলগী এগজাম থাদ্রিঙৈ মাঙওইননা প্রাইভেট স্কুল মশা মশানা লৌজবা প্রি-মেট্রিক অমদি প্রি-কাউন্সিল এগজামদা ফেল ওইবা মহৈরোয়শিংদগী স্কুলনা সবজেক্ট অমদা লুপা ৩০০ দগীনা ৫০০ ফাওবা লৌদুনা শেন্দান লম্বী ওন্থোক্লিবসি মরম চাদবা অমদি নিয়ম চুমদবনি হায়না এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি বিনচুকুমারি য়ুম্নামনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, মহৈরোয়শিংদগী পেনাল্টি ওইনা লৌরিবা পৈশা অসি লৌবা য়ারোই। রি-এগজাম তৌরগা থাগৎলক্কদবনি। পৈশা লৌরগা থাগৎপা মরম চাদে। চহী অমা চুপ্পা মহৈ তম্বীরকপা খক্তা নত্তনা সেসন হৌবগা বোর্দিংদা লৈগদবনি হায়না স্কুলগী কম্মিটিশিংনা মহৈরোয়শিং অমদি গার্জিয়নশিংদা অকনবা প্রেসর পীবদগী বোর্দিংদা লৈদুনা মহৈ তম্লকখিবা মহৈরোয় কয়া অমা ফেল ওইরিবা অসি করম্বা মওংদা মহৈ তম্বীরিবনো হংলক্লি।

প্রাইভেট স্কুলশিংগী সেসন হৌবদগী থাগী ওইনা লৌরিবা ক্লাস টেষ্ট, সেস্নেল টেষ্ট অসি মমীং খক্তগী ওইনা পাঙথোক্লিবরা। প্রাইভেট স্কুলশিংনা মহৈরোয়শিংদগী লৌশিনখিবা ফেল ওইরকপগী পেনাল্টি ওইনা লৌখিবা শেনফমশিং অদু অথুবা মতমদা হন্দোক্কদবনি। পেনাল্টি লৌগে খল্লিবা স্কুলশিংনা লৌবা য়ারোই হায়না এমসুনা চেকশিন ৱারোল থম্লক্লি। মসিদা থোরকপা তেকচাক খুদিংমক স্কুল স্কুলশিং অদুনা পুজগদবনি। লৈঙাক্কী স্কুলশিং মতিক চানা শেমগৎ শাগৎপীদবদগী লায়রবা মহৈরোয় কয়া প্রাইভেট স্কুলশিংদা মহৈ তম্লি। অদুবু লুরিবদি লৈঙাক্লা প্রাইভেট স্কুলশিংগী রিগ্যুলরাইজেসন অমা শেম্বীদবদগী ঙসিদি প্রাইভেট স্কুল কয়া লীংখৎলিবা ওজাশিংনা মনীং মখা তম্না স্কুলগী ফি অমদি মতম মতমগী ওইনা ফাইন কয়া থিহন্দুনা লায়রবা মহৈরোয়শিংদা ওৎ নৈরিবা অসি ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরি হায়রি।

স্কুল অমা ওইবগী মতিক চাবা ইনফ্রা-ষ্ট্রকচর অমদি মহৈরোয়শিংনা ফঙফম থোকপশিং অদু য়েংশিনবগী মহুৎ মতিক চায় হায়দুনা মহৈরোয়শিংদগী ফাইন কয়া লৌরি। প্রাইভেট স্কুল অমদা লৈফম থোকপা বিল্ডিং, ফেন্সিং, প্লেগ্রাউন্দ, লেবোরেটরি, এসেমব্লী গ্রাউন্দ, ক্লাস মশীংগা মহৈরোয় অমদি ওজাগা মশীংগা চুনবরা, ক্লাস রুম অমদা মহৈরোয় ১৫০-২০০ ফাওবা ফম্বা স্কুল লৈরি হায়রি। হায়রিবা অৱাৎপনা থল্লবা স্কুলশিং অসিনা করম্না অফবা মহৈরোয় খুন্নাই অমা শেমগৎলক্কদৌরিবনো হায়বসিদা এমসুনা অঙকপা পোকই হায়রি।

হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা তৌনিংবতা তৌরিবা য়াচল লাক্তৃবা শগোলগুম্না লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিং অসি য়েংশিনহৌদ্রবদি তুংগী য়ুম্বীনি হায়রিবা মহৈরোয়শিংগী মরাইবক কদোমদনো। মরম অসিনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়না এমসুগী চেরোল অদুনা মখা তারি।

## সেরাম মঙ্গি লৈখিদবগী কুমওনগা মরী লৈননা মেমোরিএল এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১(ঐচ এন এস): সেরাম মঙ্গি সিংহ ফাউন্দেসননা শীন্দুনা ঙসি ইবুধৌ ৱাংব্রেন খানা চাওবা কম্যুনিটি হোলদা সেরাম মঙ্গি লৈখিদবগী মঙারকশুবা কুমওন পাঙথোকপগা লোয়ননা মেমোরিএল এৱার্দসু য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদুদা ভেটরান জর্নেলিষ্ট এ কে সনাতোন, হান্নগী মিনিষ্টর এস ব্রজগোপাল শর্ম্মা অমদি গভর্ণমেন্ট ম্যুজিক কোলেজগী রিটয়ার্দ লেকচরর মোইরাংথেম কুমারনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা সেরাম মঙ্গি সিংহ ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি সেরাম নেকেননা ফোঙদোকখিবদা, চহী খূদিংগী পীল্লবসু পীক্লা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌরম অসিগী মপূং ওইনা চহী খূদিংগী ওইনা মেমোরিএল এৱার্দ অমসু থল্লি। এৱার্দ অসি তোঙান-তোঙানবা ফিল্ডদা থম্মী। অহানবা লৈখিদবগী কুমওনদা জর্নেলিষ্ট অমদা এৱার্দ পীখি। অনীশুবদা কলচরেল মীতৈ পুঙদা হৈথোই-শিংথোইবা মীওই অমদা পীখি, অহুম্লকশুবদা সোসল এক্টিভিষ্ট অমদা পীখি, মরিরকশুবদা শুমাঙ লীলাগী এক্টর অমদা পীখি। হন্দক্কী অসিনা অইবা লিরিসিষ্ট হুইদ্রোম ভোরোৎতা মেমোরিএল এৱার্দ অসি পীনবা নোমিনেসন কম্মিটিনা খনগৎলগা পীবনি।

হুইদ্রোম ভোরোৎ চহী ৭০গী মথক্তা লৈরবনি। দি এস পি ওইনা থবক্তগী রিটাইয়র্দ তৌখিবনি। পুলিসকী শিনফমদা লৈরিঙৈদগী ইবতা নৎতনা নট সঙ্কৃতনগী ঈশৈ শকপা অমা ওইনা খোঙদারকখি। হৌজিক রেদিওদা শক্লিবা লাইশোল ঈশৈ অয়াম্বনা অহল অসিনা ইবনি। সেরাম মঙ্গি মেমোরিএল এৱার্দ অসি হুইদ্রোম ভোরোৎতা পীনবা খনখিবনি হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মণিপুরী মতম ঈশৈনা পীবা লৈবাক নীংবগী ঈথিল হায়বা হীরমদা সোসল এক্টিভিষ্ট ডো. ধনবির লাইশ্রমনা লেকচর পীখি। সেরাম মঙ্গি মেমোরিএল এৱার্দ ২০১৭ হুইদ্রোম ভোরোৎতা পীদুনা ইকায় খুম্নখি। এৱার্দ অসিদা সাইটেসন অমদি শেল য়াওরি।

## 'ফাইনান্সিএল ওটোনোমি পীরবদি ...

*লামায় ১গী মখা...*

কোংগ্রেসনা সেন্টরদা পাল্লিঙৈ মতমদা তোঙান-তোঙানবা একোর্দ কয়া খূৎয়েক পীনখি। একোর্দ কয়া খূৎয়েক পীনখিবা মতমদা য়াম্না ট্রান্সপরেন্ট ওইনা য়ান-ৱারোলশিং অদু নীংথিনা খঙহনখিবা ঙাক্তনি। হৌজিক সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা লৈরিবা অসিনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট লোৎশিন্দুনা থল্লি। মণিপুরগী পুৱারী নীংথিনা খঙবা চুম্মী। ইন্দিয়ানা বৃটিশকী মখূৎতগী নিং-খা তম্লবা মতুং ফাওবা মণিপুর নিংতম্না লৈরম্লিবনি। মণিপুরদি নিংথৌ পান্দুনা নিংতম্না লৈরম্বা লৈবাক্লি। শাংলবা লমদম অসিগী পুৱারী অসি নীংথিনা খঙবা চঙই।

লম হায়বসি কাঙলূপ অমত্তগীনি হায়বা লৈতে। মণিপুর অসি ষ্টেটসিদা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় পূম্নমক্লা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরিবা মফমনি। কাঙলূপকী ওইবা ৱাখল্লোন লৈবা চুল্লোই। অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা পূন্না নুংশি-চান্নরা লৈমিন্নগদবনি।

পিছ টোক চথদুনা লাক্লিবা অসিগী ঈং-তপ্পা ৱারোইশিন অমা পুরকপদা করিসু কায়দে। অদুবু মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদদি হীরম অমত্তদা শোকহনবা য়ারোই। অনৌবা প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎখিবা অমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপদা তরাম্না ওক্কনি। অদুবু, মণিপুরগী শাংলবা পুৱারীদগী লৈরক্লিবা অপূনবগী শক্তম অসিদদি হীরম অমত্তদা শোকহনবা য়ারোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা হায়খি, কোংগ্রেস পার্টিনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোল খঙহল্লু হায়না মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম চথুরিবসি লমদমসিদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা অমনি হায়না চথরক্লিবনি।

কোংগ্রেসনা ৱাকৎ মীফম চথুরিবা অসিদা বি জে পিগী লুচিংবা কয়ানা করেম্নবা মওংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লৈরিবা অসি নোংমদি কপ্পকখিগনি। কোংগ্রেস পার্টিনা ৱাকৎ মীফম কয়া চথুরিবা অসি ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোলশিং নীংথিনা খঙহনবীয়ু হায়বনি। এগ্রীমেন্ট অসিগী ৱারোল লোৎশিন্দুনা থল্লিবা করিগীনো হায়বসি হংনিংঙাই ওই।

হৈঙাংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা ৱাকৎ মীফম ফমখিবদা থুগায়রকখিবদু লাইবক থীবনি। দেমোক্রেসি চৎপা লমদমদা ফোঙদোক্লীংবা খরা ফোঙদোকচবদা অসিগুম্বা থৌওং চথরকপসি ইকায়নিংঙাইনি। লোগী মখাদা লৈবা ঙাক্তনি। লো ইন্না চৎপনা অফবা ওইগনি। পাৱর শীজিন্নরগা ঈহৌ নমথগে হায়বগী মওং চুমদে। লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুদা ৱাকৎ মীফম ফম্বদা শাওরিবা করিগীনো হায়বা ৱাফমসু লাক্লি।

বি জে পিগী লুচিংবা কয়ানা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। মীয়ামদা ৱাশক কয়া অমসু শকখি। পোৎ-চৈগী মমল হন্থহনগনি হায়খিবসু হন্থহনবা ঙমদে। হৌজিক পোৎ-চৈগী মমল কা হেন্না ৱাংখ্রে। মীয়ামদা খূদোংচাদবা কয়া থেংনরে। শেঙ্গা-থুমজা মুখৎকনি হায়না লাউখ্রবসু শেঙ্গা-থুমজাগী চাং ৱাংনা লৈরি। ব্লেক মনি মপান লমদগী পুরক্কনি হায়না শকখিবা ৱাশক কয়া অদুসু থবক ওইনা ওন্থোকপা ঙমদ্রি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা এম পি সী সীগী ৱাঙাঙলোয় এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা য়াওরিবা ৱারোলশিং খঙহল্লু হায়না ৱাকৎ মীফম কয়া চথদুনা লাক্লিবা অসিদা বি জে পিগী লুচিংবা কয়ানা শাওরি। ফ্রেমৱার্কতা মণিপুরগী শক্তমদা হীরম অমত্তদা শোকপা ৱাফম য়াওহল্লোই হায়না চপ চানা ফোঙদোকপা ঙম্বা। হৌজিক-হৌজিকমক মণিপুরগী শক্তমদা কায়দ্রবসু তুংদা কায়রকপা য়াবা ৱাফম য়াওবা য়ারোই। মণিপুরদা এদমিনিষ্ট্রেসন অনী থোকপা নৎত্রগা ফাইনান্সিএল ওটোনোমি অনী থোকপগী ফীভম অসিসু য়াবা ঙল্লোই। নাগাশিং পুনশিনগদবনি হায়রিবা এন পি এফকী চপ চাবা ফিরেপ করিনো হায়বসিসু খঙহনফম থোকই হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা হান্নগী স্পিকর লোকেশ্বর, এম এল এ, কে রঞ্জিৎ, এম এল এ, ও হেনরি, ও সূর্য্যকুমার, এক্স এম এল এ টি মঙ্গিবাবু অমদি এম পি সী সীগী থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, হৈঙাং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙরাং হৈঙাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লাইফম খুনৌ সোইবম লম্পাক্তা কোংগ্রেসনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱাকৎ মীফম ফম্নবা থৌরাং তৌবদা মীওই খরা লাক্লগা ফম্বা য়ারোই হায়না থিংবদগী ৱাকৎ মীফম অদু মফম অদুদা পাঙথোকখিদ্রে। মফম হোংদোক্লগা ১১শুবা এসেমব্লি মীখলদা মীরেপ ওইখিবা পাঙ্গৈজম শরতচন্দ্রগী য়ূমদা ওইনা ৱাকৎ মীফম অদু চথখি হায়রি।

## মচেৎ-মকায় তাবগী ...

*লামায় ১গী মখা...* মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা শেংদোক-ৱারোল পীরদুনা হায়খি, থৌদোক অদুদা বি জে পিগী মীওই অমত্তা চেন্নখিদে। লৈঙাক পায়রিবা পার্টিনা অসিগুম্বা অনেম্বা থাক্কী পোলিটিক্স তৌদে। কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং এন এস সী এন - আই এমনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট সাইন হেক তৌনখিবগা কোংগ্রেসনা খোঙজং চঙশিল্লম্বা তারবদি মীপূম খূদিংমক্লা শৌগৎলমগদবনি। ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা সেন্টরনা মণিপুরগী মতাংদা করিগুম্বা মখলগী থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা ঙল্লোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

কনাগুম্বা অমত্তগী মমিং পনবা তৌদনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং লূচিংলিবা মীওই অনীগী মনুংদা অমনা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর অমসুং অতোপ্পা অমনা ডেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনখিবনি। ঐখোয় মশেল অমনা অমদা মরাল শীনবগী থৌওং খুদক্তা লেপ্পা চুমগনি।

চীফ মিনিষ্টরনা তিল্লিবা মীয়ামগা লোয়ননা লোং লিভ কে এস ও, লোং লিভ মণিপুর অমদি লোং লিভ ইন্দিয়া হায়বা খোল্লাউ লাউখিবগা লোয়ননা থৌরম অদু লোইশিনখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কে এস ও, চূড়াচান্দপুরনা পায়খৎখিবা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌরাংশিং য়াওবা মোনোলিথ অমা চীফ মিনিষ্টরনা মায়খুম হাংদোকখিবগা লোয়ননা সোভিনর অমসু ফোঙখি। থৌরম অদুদা স্কুলশিংগী মহৈরোয় কয়ানা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু উৎখি।

এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখানলিয়ন, সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন, হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চেয়রমেন টি টি হাওকিপ, মনিরেদাগী চেয়রমেন জি এস হাওপু, এ ডি সী চূড়াচান্দপুরগী চেয়রমেন চাইপাও হাওকিপ, ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী ডেপ্যুটি কম্মিস্নর শ্যামলাল পুন্যা, সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস রাকেশ বলৱাল, কে এস ও হেদকার্টরগী প্রসিদেন্ট পাওতিন্থাং লুফেং, কে এস ও চূড়াচান্দপুরগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট শেঞ্জাকম তাওথাংনচিংবা কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

## গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর ...

*লামায় ১গী মখা...* কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পি, টি মৈন্যনা নুপীলাল থৌরমগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, মপাঙ্গল কল্লবা বৃটিশকী মায়োক্তা থেংনখিবা মণিপুরী ইমাশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎলি। কুমজা ১৯০৪ অমদি কুমজা ১৯৩৯ দা নুপীলান থোকখি। সোসিও ইকনমিক অমদি পোলিটিকেল মুভমেন্ট অমসুনি। থৌনা ফরবী ইমাশিংনা থেংনখিবা অদুগীদমক ইকায় খুম্নবা উৎলি হায়নসু মখা তারি।

## মীওই অমনা মফম অনীদা ...

*লামায় ১গী মখা...* ওফ পীপলস এক্টকী সেক্সন ২৯ গী মখাদা কনভিক্ট তারবা মীওই অমনা লিংখৎপা পোলিটিকেল পার্টিবু ইলেক্সন কম্মিসননা রেকগনাইজ তৌহন্দবগা মরী লৈননা অরোইবা ৱায়েল পীনবা থৌরাং তৌরি।

## ঈচাওগী চৈথেং নংলবা লৌমীশিংগী লোন কোকপীয়ু : ফেদরেসন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১(ঐচ এন এস): ঈচাওনা অৱা-চৈথেং নংলবা লৌমীশিংগী য়েংলগা বেঙ্ক লোন (কিষান ক্রেদিট কার্দ) কোকপীয়ু হায়না ফেদরেসন ওফ ফার্মরস ক্লব মণিপুরগী প্রসিদেন্ট রঞ্জিৎনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা রঞ্জিৎনা হায়খি, কুমজা ২০১৭ অসি মণিপুরদা ঈচাও অহুম্লক থোক্তুনা অমাঙ-অতা কয়া থোকখ্রে। হৌজিকসু ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরি। খুঙ্গংগী লৌমী-শিন্মীশিং খ্বাইদগী অৱাবা ফীভমদা লৈরি। মণিপুরদা নেচরেল কেলামিটি থোক্লে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকখ্রে। লৌমীশিংদা অখন্নবা প্রোগ্রাম কয়া অমসু পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা থম্লে। মসিগীদমক ফেদরেসননা থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

হন্দক্কী ঈশিং ঈচাওনা লৌফম হেক্টর লাখ মখায় অমরোম, য়ূম লিশিং ২৫ হেনবা অমদি ঙায়োক পুখ্রি লিশিং কয়া অমাঙ-অতা থোকখ্রে। মনা-মশিং, শা-উচেক মশীং লাকঙমদনা অমাঙ-অতা থোকখিবনা অৱাবা নংহল্লে। বেঙ্কতগী কিষান ক্রেদিট কার্দকী শেন্থং খরা পুদুনা হোৎনরকপদু কদায়দগী শিংগৎপা ঙমগদৌরিবনো হায়বসি অৱাবা ওইরে। কোক্তা খূৎ হাপ্লে।

বেঙ্ক অমদি এজেন্সী কয়াদগী পুরুবা কিষান ক্রেদিট কার্দ লোনশিং কোকপীয়ু। অরায়বা মওংদা পীবা য়াবা শেন্থংগী তেংবাং অমসুং লোনশিং পীদুনা লৌমীশিংবু হিংনবগী পাম্বৈ শীনবীয়ু। ঈচাওনা মাঙ-তাকখ্রবা লৌফমশিং এঙ্গাং-নাপী, মনা-মশিং, ঙায়োক ফার্ম, শা-উচেক, লৌহোন, ফৌদি, হীদাক, মৰূ-মরাং, ঙা মচা মখা তানা য়োকখৎনবা তেংবাং পীবীয়ু। অৱাবা তারবা লৌমী মীয়ামগী ইমুংদা তেংবাং পোৎলমশিং লেম্না অমদি হন্থবা মমল য়েনবীয়ু। ঈচাওদগী মখা তানা থোকহল্লকপা য়াবা লায়না-তিন্নাদগী ঙাকথোক্নবা চথুরিবা মেদিকেল কেম্পশিং মীপূম তিংনা য়ৌহনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

## রিমসতা ঈৱাং ...

*লামায় ১গী মখা...* অমসুং নুপী ময়ুম অনীগী মীওইশিংগী মরক্তা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোরকখি। অচৌবা ঈৱাং অদু পুলিসনা কায়নথংদা লাকশিনখি। নুপী ময়ুমগী মীনা ফোঙদোরকপদা মিলানিগী মীশি অসি চিংনৈ। পুলিসনা কুপ্পা থিগৎপীয়ু হায়রি। মহাক্কী চহী অহুমদা ঙায়রিবা মচানুপী অমা লৈহৌরি। অশিবা হকচাং অদু ভিদিও কোভরেজ অমদি ইগজিক্যুটিব মেজিষ্ট্রেট য়াওনা পোষ্ট মোর্তেম তৌখ্রে। অদুবু নুপী ময়ুম অমদি নুপা ময়ুম য়েৎনরকপদগী অশিবা হকচাং অদু লৌদনা রিমসকী মোর্গতা লৈরি। পুলিসনা মীশি অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি হায়রি।